# এ আইনা ‘জেনরেল ইন্টেল্লিজেন্স’তা মীওইবগা হাইফেৎ মান্নরকপা!!

**- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -**

হৌখিবা কুমজা ২০২৪গী দিসেম্বর ২০দা ওপন এ আইগী ০৩ হায়না খঙনবা সিষ্টম অসিনা মমাঙদা ফংখিবা বেষ্ট স্কোর চাদা ৫৫ অদুদগী য়াম্না হেনগৎনা অমসুং মীওইবগী এভরেজ স্কোরগা হায়ফেৎ মান্নবা মওং অমদা -- এ আর সী - এ জি আই বেঞ্চ মার্ককী চাদা ৮৫ ফংবা ঙমখি। য়াম্না লুবা মেথমেটিক্সকী চাংয়েং অমদসু হায়রিবা সিষ্টম অসি চাউনা মায় পাকখি। আর্টিফিসিয়েল জেনরেল ইন্টেল্লিজেন্স (এ জি আই) পু মপূং-মরৈ ফাহন্নবা শেমগৎপা হায়বসি এ আইগী অচৌবা রিছর্স লেবরেটরি পূন্নমক্কী পান্দমনি। ঙসিদি ওপন এ আই অসি পান্দম অসিগী মায়কৈদা শীংথানীংঙাই ওইরবা খোঙথাং অমা থাংজিনবগুম্না উরে। মসি মপূং ফারে হায়বমক য়াদ্রগসু, এ আইগী রিছর্সর অমসুং দিভেলপর কয়ানা করিগুম্বা অহোংবা খরদি থোক্লে হায়না খন্নরি। অদুগা, মীওই কয়ামরুম অমনসু এ জি আইগী মায় পাকপা হায়বসি মীৎমাঙদা ময়েক শেংনা উবা ফংলবা থৌওং অমা ওইনা লৌরক্লে। ৱাফম অসি অশেংবমক চুল্লবরা?

ঐখোয়না, ০৩ হায়বা সিষ্টম অসিনা ফংলিবা স্কোর অসিগী ৱাহন্থোক অদু মুন্না খঙবা ঙম্লবগীদমক্তা এ আর সী - এ জি আই টেষ্ট হায়রগা করিবু খঙনবগে হায়বসি হান্না খঙদোকপা মথৌ তাগনি। টেক্নিকেল ওইবা টর্মশিংদা হায়বা তারবদি মসি -- এ আইগী সিষ্টম অমনা করিগুম্বা পুম্নৌ নৌবা ফীভম অমগা চাশিন-চুশিন্ননা মতৌ করম্না মথৌ তৌবা ঙম্বগে হায়বা অদুগী ‘সেম্পল ইফিসিয়েন্সি’ অমা চাংয়েং তৌদুনা থিজিনবগী থৌওংনি। চেট জিপিটি (জি পি টি-৪) গুম্বা এ আইগী সিষ্টমশিং অসি সেম্পল ইফিসিয়েন্ট য়াম্না ওইদে। মসি মীওইবগী লোন্দা-পুদা মিল্লিয়ন কয়াদা ট্রেইন তৌদুনা, রুল খরগী মখাদা ৱাহৈ-ৱাতাশিং ফোঙদোকপা ঙমহন্নবা হোৎনবনি। হায়রিবা থৌওং অসিগী রিজল্ট অসি ইচম চম্বা অমসুং অরায়বা মতাংশিংদদি য়াম্না ফজে। অদুবু অরুবা মতাংদদি, মরী লৈনবা দাটাগী মশীং য়ামদবা (সেম্পল মরাং কায়দবা) মরমদগী মপূং ফাবা হায়বদু ওইদে। এ আইগী সিষ্টমশিং অসি ইকজাম্পল খজিক্তংগী মহুৎতা, সেম্পল ইফিসিয়েন্সিগী চাং ৱাংনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রিবফাওবদি তোয়না পাঙথোকপা অমসুং মরক-মরক্তা অরান-অহুই য়াওরক্লবসু অকায়বা থোক্লোইদবা থবকশিংদা শীজিন্নবনি।

দাটাগী অকক্লবা সেম্পলশিংদগী, মমাঙদা থেংনখিদ্রিবা নৎত্রগা অনৌবা প্রোব্লেমশিং চপ চানা সোল্ব তৌবা ঙম্বা হায়বসিবু জেনরেলাইজ তৌবগী কেপাসিটি লৈবা হায়না খঙনৈ। থৌওং অসিবু ইন্টেল্লিজেন্সকী তঙাইফদনা চঙবা মচাক অমা ওইনা পাক-শন্না খঙনৈ। **গ্রীদ অমসুং পেট্টর্নশিং :** এ আর সী - এ জি আইনা মখাদা পীরিবা অসিগুম্বা গ্রীদ স্কৱার প্রোব্লেমশিং অসি শীজিন্নদুনা সেম্পল ইফিসিয়েন্ট এদোপ্টশনগী বেঞ্চমার্ক টেষ্টশিং পাঙথোকই। এ আইনা ওইরোমদা লৈবা গ্রীদ অদুগা, য়েৎথংবদা লৈরিবা মান্নবা গ্রেদ অদুগা অনীগী মওং অদু খঙবা মথৌ তাগনি। মসি খঙহন্নবগীদমক্তা ক্বেশন খূদীংমক্কী ইকজাম্পল অহুম পীগনি। মদুগী মতুংইন্না এ আইনা ইকজাম্পল অহুম অদুদগী ‘জেনরেলাইজ’ তৌগদবা রুলশিং অদু খঙদোক্তুনা মরিশুবা মান্নবা ইকজাম্পল অমা পুথোক্কনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি নহাক্না স্কুলদা শরুক য়াখিবা আই ক্যু টেষ্টশিং অদুগা মান্নবা মওংনি।

**ৱীক রুলশিং অমসুং এদেপ্টেশন :** ওপন এ আই মসি মতৌ করম্না পাঙথোক্লিবনো হায়বদুদি ঐখোয়না চপ চানা খঙবা ঙমদে, অদুবু রিজল্টশিং অসি য়েংলুরবদি ০৩গী মোদেল অসি থাক য়াম্না ৱাংনা এদেপ্টেবল ওই হায়বসি উৎলি। মসিনা ইকজাম্পল খরা য়েংলগা জেনরেলাইজ তৌবা অমখক মশক খঙদোক্লবগীদমক্তা, ঐখোয়না মথৌ তাদবা ৱাফমশিং পুথোকপা নৎত্রগা কান্নগদবা চাংদগী হেঞ্জিন্না থৌরাং তৌরুবগী মথৌ তাদে। থীওরিগী ওইনা, নহাক্না পান্লিবা অদু পাঙথোকপা ‘খ্বাইদগী হেন্না ৱীক ওইবা’ রুলশিং অদু মশক খঙলবদি, অনৌবা ফীভমশিংদা এদেপ্ট তৌবা ঙম্বগী চাং অদু হেনগৎহন্নবা মরম অমা ওইগনি। খ্বাইদগী হেন্না ৱীক ওইবা রুলশিং হায়রগা ঐখোয়না করিবু খঙনগনি? মসিবু টেক্নিকেল ওইনা খঙহনবা হায়বসি অরুবা ৱাফম অমনি, অদুবু ৱীক রুল হায়বসি মহৌশা ওইনা ইচম চম্বা ৱাহৈনা ফোঙদোকপা য়াবশিং অদুনি হায়না লৌবা য়াই। খুদম ওইনা : অশাংবা লৈই অমগী মশা পূম্নমক অদু, লৈই অদুগী অরোইবা মতোন অদু য়ৌনা ‘শন্দোক্কনি’ হায়বা ৱাফম অসি ৱীক রুল অমনি।

**ৱাখলগী পরীং থিরিব্রা ?** এ আইনা অসিগুম্বা রিজল্ট অসি মতৌ করম্না ফংলিবনো হায়বসি ঐখোয়না খঙবা ঙমদবগা লোয়ননা, মখোয়না ৱীক রুলশিং অদু থিদোক্লবগীদমক্তা ০৩গী সিষ্টম অসিবু অখন্ননা শীজিন্নরমগনি হায়বা ৱাফম অসিসু থাজবা ৱাৎলি। অদুম ওইনমক, এ আর সী - এ জি আইগী থৌওংশিং অসিদা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক্তা মসি থিদোক্তবদি য়ারোই। ওপন এ আইগী মথৌ অসি ০৩ মোদেলগী জেনরেল-পর্পজ ওইবা মখল অমগা লোয়ননা পাঙথোকপা হৌবনি। মোদেল অসি অরুবা ক্বেশনশিংগী মতাংদা মতম হেন্না শাংনা ‘খন্থবা’ ঙম্বা মরম্না অতৈ মোদেলশিংগা খেন্নৈ অমসুং এ আর সী - এ জি আই টেষ্টকীদমক্তা অকক্লবা ট্রেইন তৌই। বেঞ্চমার্ক অসি শেম-শাদুনা পুথোকপা, ফ্রেঞ্চকী রিছর্সর ফ্রেঙ্কোইজ কোল্লেটনা, ০৩ অসিনা করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোক্লবা থৌওংশিং অদু তাকপা তোঙান তোঙানবা ‘ৱাখলগী পরীংশিং’ অদু থিজিল্লি হায়না থাজবা পোক্লি। মসিনা মতুংদা চাউরাকপা রুল নৎত্রগা ‘হ্যুরিষ্টিক’ হায়বসিগী মতুং ইন্না ‘খ্বাইদগী ফবা’ অদু খনগনি। থৌওং অসি -- গুগলগী অলফাগো সিষ্টম্না ৱর্ল্ড চেশ চেম্পিয়নবু মায়থীবা পীবা ঙম্লবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা খোঙচৎকী পরীংশিংবু থিজিনখিবা অদুমক্কা করিগুম্বা খেন্নবা অমত্তা লৈরোই।

নহাক্না অসিগুম্বা ৱাখলগী পরীংশিং অসিবু ইকজাম্পলশিং অসিগা চূনবা প্রোগ্রামশিং অদুগা মান্নৈ হায়না খনবসু য়াগনি। মসি করিগুম্বা গোপ্লেইং এ আইগুম্বা ওইবা তারবদি, করম্বা প্রোগ্রাম্না খ্বাইদগী হেন্না ফগদগে হায়বদু লেপথোক্লবগীদমক্তা হ্যুরিষ্টিক নৎত্রগা লুজ রুল অমা মথৌ তাগনি। মসিদগী কান্নগদবা প্রোগ্রাম লীশীং লীশীং জেনরেট তৌরকপা য়াই। হ্যুরিষ্টিক হায়বসি ‘খ্বাইদগী হেন্না ৱীক ওইবা’ নৎত্রগা ‘ইচম চম্বা’ অমা খনবা অদুবু খঙনগনি। অদুবু মসি করিগুম্বা অলফাগোগুম্বা ওইরবদি এ আইনা শেম্বা হ্যুরিষ্টিক অমা য়াওগনি। মসিনা অলফাগোগী প্রোগ্রাম শেমগনি। গুগলনা তোঙান তোঙানবা খোঙচৎশিংগী পরীংশিং অদু হেন্না ফগদবা নৎত্রগা ফরোইদবা অনী অসিগী চাং ওনবা ঙমহন্নবা মোদেল অমা ট্রেইন তৌখি। মরম অসিনা, হৌজিক ঐখোয়না পাউখুম পীবা ঙমদনা লৈরিবা ৱাহং অমদি, মসি এ জি আইগা তশেংনমক নকশিন্নরক্লব্রা হায়বা অসিনি। করিগুম্বা মসিনা, ০৩গী থবক-থৌওং হায়বদু ওইবা তারবদি, হায়রিবা মোদেল অদু মমাঙদা শীজিন্নখিবা মোদেলশিংদগী হেন্না ফবা হায়বদু ওইদবা য়াই। মোদেল অমনা, মীওইবনা লোল্লিবা লোল অসি হৈবা ঙম্বা হোৎনৈ হায়বা ৱাখল্লোন অসি জেনরেলাইজ তৌবদা চূনরক্তবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মদুগী মহুত্তা, চাংয়েং অসিদা স্পিসিয়েলাইজ তৌহন্নবা হ্যুরিষ্টিক ট্রেইনিংগী অখন্নবা থৌওংগী খুত্থাংদা, ঐখোয়না জেনরেলাইজ তৌবা য়াগদবা ‘চেইন ওফ থোট’ অমা ওইনসু উবা য়াই। মসিগী খুদম অদুদি থবক ওইনা পাঙথোক্লগা খঙবা তাবনি। ০৩গী ৱাফম পূম্নমক অসি অয়াম্বনা খঙবা ঙম্নদ্রি। ওপন এ আইনা মীদিয়া খরদা অকক্লনা ফোঙদোক্লককপতা মঙায়রি, রিছর্সর, লেবরেটরি অমসুং এ আইগী সেফটি ইন্সটিট্যুশন খুজোক খরদা আর্লি টেষ্টিংগী ৱাফম অসি খঙহল্লকপা কুইদ্রি। ০৩গী মগুনশিংবু শেংনা খঙবা ঙম্বা হোৎনবা হায়বসি, ইভালুয়েশন তৌবা, মসিগী কেপাসিটিশিং অদু শীজিন্নবগী মওং খঙবা, কয়াম তোয়না ফেইল ওইখি অমসুং মায় পাকখি হায়রিবশিং অসি য়াওনা, য়াম্না পাক-চাউনা থিজিনবগী মথৌ তাগনি।

০৩ অসি মমৈথংদা শীজিন্নরক্লবা মতমদা মসি মীওইবা অমগা মান্ননা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা হায়বসিগী মতাংদা ঐখোয়না হেন্না নীংথিনা খঙবা ঙমগনি। করিগুম্বা মসিনা মায় পাকপা তারবদি, চাউরবা, রেভল্যুস্নরি ওইবা, ইকোনোমিক ইম্পেক্ট অমা পীদুনা সেল্ফ ইমপ্রুভীং এসেলেরেটেদ ইন্টেল্লিজেন্সকী অনৌবা য়াওল অমা লাকপা য়াই। ঐখোয়না এ জি আই অসিমক্কী অনৌবা বেঞ্চমার্কশিং মথৌ তাবগা লোয়ননা, মসি মতৌ করম্না গভর্ন তৌগনি হায়বা অসি য়াম্না কুপ্না খন্নবা চুমগনি। নৎত্রবদি মসি চুম্নগী মীৎ পেলহন্নবা কুম্মৈ ওইনা তৌদুনা মীওইবগী পুন্সিনা হান্নগুম থোইদোকপা অহোংবা লৈতনা হিংগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৭কী ৱাহং

১) “তপথদ্রবা থমোইবু থেমজিল্লদুনা
লাঙ্তক্নরবা পুক্লিংবু ফাথরদুনা
ঙাইরি ঐ
অঙৌবা খুনুনা পাইরকপা”
মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “মায়াবিনী” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা লাইরিক্নি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “থৈবোঙদগী হৈগ্রুনা চাউবা হেনবা” হায়বা অঙাংগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারী অসি কনানা ইবগে অমসুং করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৪) “নবাব-নন্দিগী” (১৯৭১) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমনি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৫) “য়েন্নীংথা থুংলরে পান্মুবী” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়াংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৫)***

২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩৬কী ৱিন্নর*

*আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়াংবা ময়ায় লৈকায়*

**লিটরেরি ক্যুইজ ১৩৬কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৬কী পাউখুম

১) “হে ইমা! নিংথেমপোকপী!
মায়থোঙ ফিরুক খুমখ্রবী;
নীংতম পুন্সি মাঙখ্রবী
নঙগী ঈশৈনি; ঐগী ৱারী।”
মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি নোভেল অমগী অহানবা কাতুপ্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং করিনো অমসুং অইবা অসি কনানো?

**:- নোভেলগী মমিং - ৱাইথৌ সনানু, অইবা - বী এম মাইস্নাম্বা,**
**অহানবা ফোঙবা : দিসেম্বর ২০১৯।**

২) “বশিষ্ঠ আশ্রমদা” হায়বা ৱারেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো? কনানা ইবগে?

**:- লাইরিক্কী মমিং - গঙ্গাগী মতম্বাক্তা, অইবা - ডা. যামিনী দেৱী,**
**লাইরিক্কী মখল - মেমোইর, অহানবা খূৎনম : ২০০৫, সেপ্টেম্বর।**

৩) “মণিপুরদা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরনা লাকখিবসি কুন্সশুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক (১৯০২) তা বাঙ্গালিশিংগী খূত্থাংদা লাকখিবনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি ৱারেংগী লাইরিক অমদা অইবগী ৱাহৈ খরদংদা ফোঙদোকপনি। অইবাঅসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

**:- অইবা - ডা. অথোকপম খোলচন্দ্র, লাইরিক্কী মমিং - মণিপুরী লীলামচা নৈনবা,**
**ফর্ষ্ট পব্লিশ : দিসেম্বর, ২০২৪।**

৪) “নোংজু থাগী থায়ায় য়ৌশিল্লক্লে মতমসি, কুমগী নোং পুবা নুংশিৎসু মায়কৈ শীনবা থুংনা শীৎলক্লি।”
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পন্দুপতা য়াওবনি। ট্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

**:- ট্রান্সলেটরগী মমিং - লাইশ্রম মেমো সিংহ, লাইরিক্কী মমিং - পদ্মা তুরেলগী হিহোনবা,**
**ফর্ষ্ট পব্লিশ : ১৪ জন্যুৱারী ২০২৪।**

৫) “হিংনা শিবা পুন্সি” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

**:- অইবা - এম কে সরোজ খান, লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক,**
**অহানবা ফোঙবা : মার্চ, ২০১৯।**

# ‘হয়েংনা কনাগী ইমুংদা’ - (৩)

**- মোইরাংথেম নবকিশ্বর -**

কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈবগীদমক্তদি কোট লিংদ্রবসু য়ারে। মণিপুরদা মী হাৎলিবশিংসি/মীচম হাৎলিবশিংসি আইন্না য়াদবা রোকেট লোঞ্চর কাপ্লগা দ্রোনদগী বোম থাদরগা স্নাইপর নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎপনে। শাওনবদগী কাঙলূপ মশেল অউ-অউবা, থেংন-থেংনবা হাৎনবদদি লান হৌরকপা থা ১/২দা লোইখ্রে। হৌজিক চথরিবা/চথরক্লিবা লান অসিদি কাঙলূপকী লান নত্তে, লৈবাক মুন্নবগী লাননি, ইন্দিয়া কায়রক্কদবা লাননি। থিজিল্লি-থিজিলহল্লি হায়বদনদি ওপরেশন সক্সেস বট পেসেন্ট দাই হায়বদুদা তারক্কনি। হয়েংনা কনাগী ইমুংদা লাইবক থীবা দশা অসি তারুগদৌরিবা? ৱারোইশিন পুবিরক্কদৌরিবনি হায়না থাজহনবদুদা অপঙবা মীতৈশিংনদি লৈরম্বা থৱায় কঞ্জনবা লাক ফোইদুনা পায়জরম্বা খূৎলায় খরদুসু ঙম্না সরেন্দর তৌথোকখ্রে।

মতমসিদা খূৎতা খূৎলায় অমত্তসু পায়দনা লুপা অমত্তসু থোক্তনা ইমা লৈবাক কনগনি হায়দুনা থৌনা ফনা চোংথোরক্লিবা ইরৈচাশিংগী মরাইবক করম থোক্লগবা! পানগদবা ময়ূম মকৈসু পানহৌদা, ইরৈচা লাখ অমনা দিকেদ অমদা পুথোকপা ঙমগদবা ঐখোয়গী চারোল শুরোলসি য়ামদ্রবদা লাখ ৩দগী ৪ ফাওবদি ওইগদৌরিবনি, হৌজিক দিকেদ তঙ্খায় অমা ফারক্কদৌরে। ইরমদম কন্নখিগদৌরিবনি হায়দুনা তুংগী জেনরেশনগী চারোল শুরোলসু পুথোকহৌদা - ইশা শিবা নুমিৎতা পুমলোই হেক লোইবা হায়বদু তাগদৌরিবরা?

অমরোমদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঙাক্লৌ পীরিবা কুকিশিংনা পাকখ্রবা মণিপুরগী চীংমায় খুদিংমক পাক্তক্লনা কোকথোক্লগা পোপী পান্বী থাদুনা চহীদা লুপা ক্রোর-ক্রোরগী দ্রগ নম্বর ফোর শুংদুনা ইনকম চাউনা-চাউনা তানবদগী হেন্দোক্তুনা নেশনল হায়রে খুদিংমক্তগী আইন্না য়াদবা মওংদা নোংমদা লুপা লাখ-লাখকী ইল্লিগেল টেক্স খোমগৎহন্দুনা অফবা মখলগী খূৎলায় শুনা লৈরগা পৈশিলহল্লি। অদুনা নোংম-নোংমগী মথোই কারক্লি। মীতৈশিংনা খন্ন-নৈনবদা মাষ্টর দিগ্রী তান্নদুনা লৈরে। মীতৈখক্তা নত্তে নাগাসু করিসু নত্তে মতাগুম ফূরুপ অনীগী মথক্তা ওনশিন্দুনা লান্দাবা ঙম্লক্লি। পূম্নমকসি কনানা থোকহনবনো? করিদগী মপান্দগী চঙলকখিবা কুকিশিংনা অসুক থুনা মপাঙ্গল খংকন কনখৎলকখিবা? ঐখোয় মুন্না খন্থবা মতম য়ৌদ্রিবরা? অসুক চিরবা তাঞ্জাসিদা মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফূরুপ খুদিংমক চীং-তম খায়দনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মণিপুর কলহৌদ্রবদি ঐখোয় য়েলহৌমী খুদিংমক্কী খোঙ্গুল মুৎখিবা তাবনি। খ্বাইদগী মীশিং য়াম্মী লৌরিবা মীতৈশিংনা মণিপুরদা খোঙ্গুল মূৎখ্রবদি মীতৈ নত্তবা য়েলহৌ ফূরুপ অমত্তা লমদমসিদা হিংদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়বসি মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফূরুপ খুদিংমক্না খন্থবা মতম য়ৌদ্রিবরা? খুদিংমকসি কনাগুম্বা শকউদবা (ইনভিজিবল হেন্দ) অমগী খূৎ য়াওরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খন্থবা মতম ওইরে।

অরোইবদা থমজনীংলিবনা ইপা ইপুশিংগী ৱাহৈদা ‘নোম নোম শগাইতোং, চানবা লৈতে তখেলথাঙ’ হায়বা পাউরৌসিমদি ঐখোয় খুদিংমক্না খক কাউফদে। ইখোঙ ইখূৎ ঙম্না ফাজিন্দুনা/পুনশিন্দুনা থল্লগা, মচিন চেন্থি থীরবা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না ঐখোয়না হোৎনরি/য়েংশিল্লি মণিপুরগী লমখৈ মচেৎ অমত্তা কায়হল্লোই হায়রগা ঐখোয়বু খোঙকাপ অনী শুনা থাংদোকপদি য়াহন্দনা থল্লক্লিবসি চহী অহুম মপূং ফাখ্রে অদুনা ঙসিদি ঐখোয় পংথরগুমসি ইরৈচাশা-

থোরক্লো ইরৈচাশা
ইমা লৈবাক পোক্লফম লমদম কল্লসি
ইশাগী ইঙ্খোল শম্বল
ইশানা খাদনা মীতোপ্পা খাবা ঙাইখিগদ্রা?
অরৈ অরৈবা পুথোক্লরক্লো
চুক থেঙ্গু শম্বলৱা পূম্বা
থোরক্লো থোরক্লো
থেংখ্রে মতমসে
নুমিৎ তাশিনখিগদৌরে।
মমখ্রবদি অমত্তসু উররোই। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৩৮

**- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -**

হায়রিবা মফমশিং অসিমদি মথক্তা পঞ্জখিবা তোঙান তোঙানবা শা মখলশিং অমদি উচেক-ৱায়া, তীল-কাঙ, কৌজেং-হারৌনচিংবগী হৈনবী লমচৎ-শাজৎ চৎপশিং অদুখক নত্তনা মথক্তা পঞ্জখিবা মীওইপা হায়বা অদুনদি লৈবদা অমদি হিংবদা হৈনবা মফম হায়বদুদি কৈদৌনুংদা ওইবা ঙম্লোই হায়বসিমসু চুমদুনতা লৈগদবনি। মখোয় অমমমগী ইমুং অমমম অদুখক অদুদা লূ-নান্না থম্বা ঙম্লগা, চাবা থকপা ৱাৎতনা নুংঙাই-য়াইফনা হিংদুনা লৈরগা নোংমৈ, বোম্নচিংবগী মখোল তাদবমখৈ নৎত্রগসু মদুদগী ঙাক শেন্দুনা মীহাৎ-মীশি, মীফা-মীপূননচিংবা থোক্তনা হিংদুনা লৈরগা মথক্তা পঞ্জখিবা মকোক-মরূ ওইবশিং অদুনা লৈকায়-খুঙ্গং, লৈপাক মচাশিং অমদি অপূনবা লৈপাক অদুগী ঈরম-নালাশিং, পাৎ, তুরেলনচিংবশিং, অচৌবা ঈশিং ঈপাক (সমুদ্রনচিংবা) হায়রিবশিং অসিদা মোৎলিবশিং অসিবু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবা মখোয়শিং অসিবু নাকোইনবা অমোৎপা মী নত্তে, নমথীবা মনম চেল্লে হায়গদৌরিবরা? মফমশিং অদুদা লৈরিবা লৈত-লায়র, অৱা-অনাশিং অদুবু কোকহনবা ঙমদ্রিবরা, থোকহন্নবা পান্থৈ মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমদ্রিবা মখোয়না লৈরিবা লৈপাক অদু মখোয় মখোয়না লৈঙাকচবা লায়রবা লৈকায়/খুঙ্গং অমনি, লায়রবা অপীকপা লৈপাক অমমমনি অমদি লায়রবা অপূনবা লৈপাক অমমমনি করম্না হায়রোই। (ইকায়বা খঙদবা কাঙবুরা মখোয়শিং অসিবু? শাদি ইকায়বা খঙদবনি) মীওইবা হায়বদুগী মকুদি পানবা (কু) তৌইগুম্বসুং মীওইবগী থংওই (থম্মোয়) হায়বদুদি পান্দবনা মরম ওইদুনা মী অমদি অতৈ অতোপ্পা অচৎ-চত্ত থৱায় পানবশিং হায়বদি শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাঙ, কৌজেং-হারৌ, হৈপান-লৈপান, উপাল-ৱাপাল, নাপি-শিংবী, মরোই-মপাং, য়েন্সাং-য়েনলম অসিনচিংবা পূম্নমকশিংদা অকি-অখং, অকি-তুজুংনচিংবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙম্বশিং অদুনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা থেঞ্খাং নাইনা মখা চোন্থনা থোকহল্লিবা (চোন-জো = জোন) অদুবু লাকশিন্দুনা অমদি মাঙহন্দুনা মীওইবা অমদি অতৈ অতোপ্পা মথক্তা পঞ্জরিবা থৱায় পানবশিংগী খুন্নাইবু নুংঙাই য়াইফহনবা ঙমদ্রিবা মখোয়শিং অসি নাকোয়নবা টেররিষ্ট (ইন্দাইরেক্ট টেররিষ্ট) অমদি মখোয়বু নাকোয়ননা শৌগৎপা নৎত্রগা করিগুম্বা কান্নবা অমগী মরুমদা য়ূম্ফম ওইরগা সিম্পেথাইজর নৎত্রগা কন্সপিরেটর অমমমনি করম্না হায়রোইসিগে?

য়েন তমলেং (য়েক তরেৎ) লৈ হায়বগীদমক য়েলহৌমী ওইবা চীংমী (চীনমী) হায়বদি য়েলহৌ-চীনমী অমদি য়েলহৌমী ওইবা তন্মী হায়বদি য়েলহৌ তন্মী হায়রিবা অনী অসিগী অপূনবা য়েলহৌ চীনমী-তন্মী অনীনা ঈলৈপাক অসিগী মনুংদা অমগা অমগা চঙথোক-চঙশিন তৌনদুনা অমগা অমগা অৱাৎ-অপা, লৈত-লায়র মেনখৎনদুনা লংথোক-লংশিন তৌনরমখিবা মতম অদু ফাওবদি ঈলৈপাক অসিগী অপূনবা শক্তম হায়বদু লৈরমখি হায়জনীংই। মতম অদু ফাওবদি মীওইপা হায়বদুগী লমচৎ-শাচৎ অমদি লৈলৈপাক ওইরম্বগী ঈৱাই-ঈনিং (ঈৱাই-ঈনিল) হায়বদু লৈনরমখিবা মতাং অমদি মতম ওইরমনি হায়জনীংই।

হায়রিবা মতম অদু ফাওবদি তাঙ্খুল, কবুই, মরিং, অনাল, কোইরেং, খারম, মোয়োন-মোন্সাং, চোথে-কোম অসিনচিংবা য়েন তমলেং (য়েক তরেৎ) লৈবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিংনা চীংদা চীংমী (চীনমী) ওইনা খোন্তাদুনা (খুন্দাদুনা) অদুগা হায়রিবা চীনমীশিং (চীংমীশিং) অদুগা চীংগী অতোংবা শরুক্তগী পুন্না হৌলকমিন্নখিবা য়েন তমলেং (য়েক তরেৎ) লৈবা মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপনা তমদা তন্মী ওইনা খোন্তাদুনা (খুন্দাদুনা) চীনমী-তন্মী অনী অদুনা অমগা অমগা চঙথোক-চঙশিন, পুথোক-পুশিন, লৌথোক-লৌশিন, তাথোক-তাশিন, হন্থোক-হনশিন, লংথোক-লংশিন, থংথোক-থংশিন, পাথোক-পাশিন, চাথোক-চাশিন অসিনচিংবশিং তৌনদুনা হায়বদি ‘থোক-শিন’ তৌনদুনা হায়বদি অমদগী থোক্লকপদু (থোং) অমদা শিন্নবগী চৎনবী (সিন) লৈরমখিবা অদুনা চীনমী-তন্মী অনী নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নদুনা ঈলৈপাক অসিগী ‘অপূনবা শক্তম’ অমদি ‘লৈলৈপাক’ (লাইরৈবাক) ওইবাঅনীগী ‘ঈৱাই-ঈনিং’ লৈহল্লমখিবনি। মতম অদু ফাওবদি অতোপ্পা লৈপাক্কী নৎত্রগা লৈঙাক্কী ঈথিল চংলবা হোষ্টাইলিটিগী ৱাহন্থোক চেনবা নোমেনক্লেচর অমত্তনা ঈলৈপাক অসিগী য়েলহৌমী ওইবা লন্নাই চীংমী নৎত্রগা চীংমী কাঙলূপ অমত্তবু মশক তাক্লরমদে অমদি মিংথোল্লমদে হায়বসি অচুম্বনি। লোয়ননা মতম অদু ফাওবদি অতোপ্পা লৈপাক্কী নৎত্রগা লৈঙাক্কী ঈথিল-চঙবা টেররিজমগী ৱাহন্থোক চেনবা নোমেনক্লেচর অমত্তনা ঈলৈপাক অসিগী ৱাংমদগী লাকখিবা য়েলহৌমী নত্তবা লন্নাই চীনমী (চীংমী) শাবা নৎত্রগা চীনমী শাবা কাঙলূপ অমত্তবু মশক তাক্লরমদে অমদি মিংথোনলমদে হায়বসিসু অচুম্বনি।

অদুগুম্বা ‘অপূনবা শক্তম’ অমদি ‘লৈলৈপাক’ (লাইরৈবাক) ওইবা অনীগী ঈৱাই-ঈনিং (ঈৱাই ঈনিল) অদুগী মরু (মাইলুম) অদুবু ঈলৈপাক অসিগী লৈপাক লৈহাও অসিদগী মতম চূপ্পগী ওইনা কনানা অমদি কমদৌনা মাঙহনখিবগে হায়বসি ঈলৈপাক অসিবু নুংশিজবা অমদি ঈলৈপাক অসিগী থবক-থৌরম অমদি শিনলম শিন্থা পাংলিবশিংনা খঙফম থোকই নৎত্রগা খঙননবা হোৎনফম থোকই। ●